


মপুরোইবগী যুমদা য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা লৈখিদ্রবী সামোম নিঙোল নিংথৌজম ওংবী চিংখৈগী মীশিগী মতাংদা অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোক্তুনা মরাল লৈবা চৈরাক পীয়ু হায়না অরোংগী মীয়াম্না রেল্লি চৎখিবা



ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসকী কাঙবুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৈনৌ থোংখা অমদি ওইনাম শওম্বুং দাম এরিয়াদা থিবা হুম্বা চথবদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কা কোন্ননা ফাগৎলবা মীওই অহুম



ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসন (ইমা) শুমাং লীলা কাঙলুপকী লীলারোয় অমগী ইমুংগী মীওই অমা অনা-অয়েক য়াওরকপদগী মে ১দগী ৮ ফাওবা লীলা শান্নবা লেপ্লগনি হায়না ইমাগী সেক্রেটরি নিঙোম্থম তোম্বনা ফোঙদোকখিবা



খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌজিক পাঙথোক্লিবা নোর্থ ইষ্ট রিজনল স্পোর্টস মীটকী কেটরিংগী মেটচ হোল ঙসি অয়ুক অঙনবদা নোংলৈ-নুংশিৎনা হুমদোক্তুনা অমাঙ-অতা থোকহনখিবা

## সেক্রেদ ৱিটচ খল্লকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): কোভিদ পেন্দমিক্কা মরম ওইরগা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনলগী ঠিএটর ফেষ্টিভেল পুন্নমক লেপ্পুরবা মতুং চহীসিগী লাক্লিবা মে ১৪দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল স্কুল ওফ দ্রামা ন্যু দেল্লীনা শীনবা পূর্ভোটর রাষ্ট্রিয়া নট্য সমারোহ ২০২২ (এ ফেষ্টিভেল ওফ নোর্থইষ্ট প্লেজ ইন অদর ষ্টেট) দা উৎননবগীদমক পলেম পম্বৌ কলচরেল ট্রষ্ট লাংজিং অচৌবগী প্লে দ সেক্রেদ ৱিটচ খল্লকখ্রে হায়রি। খল্লক্লবা সেক্রেদ ৱিটচ হায়রিবা প্লে অসি মে ১৬তা গুজরাতকী বদোদারাদা উৎকনি। প্লে অসি শক্লাইরবী অইবী ডা. সলাম শান্তিবালানা ইবতা নত্তনা প্লে অসিগী দিজাইন অমসুং দিরেক্সনসু মহাক্না পীবনি। ডা. শান্তিবালা নম্বোলগী এল সানোই কোলেজগী মণিপুরী দিপার্টমেন্টতা হেদ ওইনা থৌ পুরি হায়রি।

## য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): হন্দক ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টরনা হিন্দী লোলবু কম্পলসরি ওইহনগনি হায়খিবদু মীয়াম্না অমদি দ সিটিজন্স এসোসিএসন ফোর রুরেল দিভেলপমেন্ট (কার্দ) ৱাবগাইনা কন্দেম তৌই। পুৱারীদগী ঐখোয়গী ইরোল ইয়েক লৈজবগা লোয়নননা ফুরুপ কয়ানা খুন্দামিন্নদুনা লৈরিবা ইরমদম মণিপুরনি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্নিদি হায়রগা মদুগী ৱাহন্থোক্তি য়াওদবা লোয়লম শন্দোকপগী মমি, অপীকপা ফুরুপ/কাঙলুপপু মুখৎনবা ঙসিসু হোৎনবা লেপত্রি। ইশাগী ইয়েক ফাওবা চাউখৎনবা হোৎনবদা মপুং ফাবা ঙমদ্রিবনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি দ সিটিজন্স এসোসিএসন ফোর রুরেল দিভেলপমেন্ট (কার্দ)নসু য়াবা ঙম্লোই হায়না কার্দকী সেক্রেটরি এম মনিশ্বরনা ফোঙদোরক্লি।

## য়াইফ পাউজেল

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): ইদুল ফিটরনা লাকপদা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা মরুওইনা ইস্লাম লাইনিং চৎপা মুস্লমান ইচিল-ইনাও পুন্নমক্তা হরাও নুংঙাইবা য়াইফ পাউজেল পীজরি। শেংলবা নুমীৎ অসিনা লাকপা অসিদা ঈংনা চিক্লা পানবা লৈবাক অমা ওইরসনু হায়না সমতা পার্টি মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট হাজি অসরফ আলিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

## লীলা শান্নবা লেপকনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিএসন (ইমা) শুমাং লীলা কাঙলুপকী লীলারোয় অমগী ইমুংগী মীওই অমা অনা-অয়েক য়াওরকপনা লাক্লিবা মে ১দগী ৮ ফাওবা লীলা শান্নবা লেপ্পগনি হায়না পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইমাগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এসোসিএসন অসিগী কো-প্রদ্যুসর ওক্রম কুঞ্জো য়াওবা মীফম অমদা সেক্রেটরি নিঙোম্থম তোম্বনা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

# ‘লমদমসিগী ইয়োং ফিগী পোখোক্কা মান্নবা ফি, ফনেক অমদি খুদৈনচিংবা মপানলমদগী পুশিল্লকপা লেপ্পীয়ু’

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): শেন্মীৎলোনগী ফীভম অঙকপা ফংনা শোকচিল্লক্লবা খুন্নাই অসিদা ইকনমিক নেসনেলিজমগী যুম্ফম থোলহৌদ্রবদি ঐখোয় মী ওইনা হিংব ঙম্বা খুন্নাই ওইররোই। ইয়োং ফি শাদুনা লমদমসিগী শেন্মীৎলোনদা অচৌবা মতেং পাংলিবা অমদি ইমুং কয়াগী পুকচাক হুল্লিবা ফিশাবীশিং অসি য়োকখৎনবগীদমক মপানলমদগী ইয়োং ফিগা মশক মান্নবা মেছিননা শাদুনা পুশিল্লক্লিবা ফি/ফনেক অমদি খুদৈগী পোখোকনচিংবশিং পুশিল্লকপা লেপ্পীয়ু অমদি মীয়াম্না লৈবীগনু হায়না মহৈরোয় লূপ তরুক্কী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এমসুগী প্রসিদেন্ট ঐচ চলাম্বা, এম এস এফকী প্রসিদেন্ট কে ঐচ বিদ্যাসাগর, দেসামগী প্রসিদেন্ট এল লময়ানবা, কে এস এগী প্রসিদেন্ট এস বিদ্যানন্দ, সুককী প্রসিদেন্ট এন ধনকুমার অমদি এইমসকী প্রসিদেন্ট এস ঐচ প্রেমচান্দনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ইয়োং ফিগী পোখোকশিং লৈঙাক্কী/লন্নাইগী লোয়শঙশিংদা শীজিন্নরিবা ফিশিং অমদি মহৈ তম্ফমশঙশিংগী য়ুনিফোর্ম ওইনা শেৎপীনবসু হায়জরি। লমদমসিদা ওজাশিংগী ট্রেনিং সেন্টরশিংদা মীরমগী শারি শেৎপনা য়ুনিফোর্ম ওইবগী মহুৎতা লমদমসিগী ইয়োং ফি অমদি ফনেক শেৎতুনা নাৎ শক্তম অমদি শেন্মীৎলোন ঙাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু। ইরমদমগী পোখোক শীজিন্নবনা লমদমসিদা শেল তুংহৌদুনা লৈহৌগনি, লৈবাক অসিগী জি দি পি হেনগৎপদা অচৌবা মতেং পাংগনি। ক্রিটিকেল দিপেন্দেন্সকী য়োহ্লিংদগী নাম্থোক্লবা হোৎনবগী খোঙথাং অমা ওইনা ইয়োংগী পোখোক অসি লমদমসিদা মরাং কায়না ফংহন্নবা অমদি য়েলহৌমী ফিশাবী/ফিশাবশিং হেন্না পূক্লিং থৌগৎনবা লম্বী মীয়াম্না য়াৎহৌবা মথৌ তারে। মরম অদুনা লমদমসিগী ইয়েং ফিগী পোখোকতা শীংনদুনা ফিশাবী/ফিশাবশিংগী পূক্লিং ৱাখল হন্থহল্লিবা মপানলমদগী পুশিল্লক্লিবা ইয়োং ফিগা মান্নবা পোখোকশিং অসি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনসু য়েংশিনবীদুনা পুশিল্লক্তনবা হোৎনবীগদবনি। হীরমসিদা মহৈরোয় লূপ ৬নসু হন্না কনশিনবা মীৎয়েং চঙগনি।

পনবা য়াবদি, লমদমসিগী খুদৈ/ফনেক অমদি ফিনচিংবা নাৎকা মরী লৈনবা পোখোকশিংগী মশক মওং মান্ননা মেছিননা শাদুনা মশীং কা হেন্না মপানদগী পুশিল্লক্লে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙম্লে। মসি মতম চানা থিংহৌদ্রবদি শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফত্তবা মশীং য়ামজদবা লায়রবা য়েলহৌ ফুরুপশিংদদি অচৌবা চৈথেং অমদি শুকশোয় শোয়দনা পীরগনি। মশীং য়াম্লবা শেলশিং মপানলমদা চৎখ্রগনি। মরম অদুনা পুশিল্লক্লিবা অসি থিংহৌবগা লোয়ননা পেটেন্ট অমদি জি আই টেগকী থবকসু য়াঙশিনবীদুনা নাৎকী ইয়োংগী পোখোকশিং কলহৌবগী তঙাইফদবা লৈরে। লৈবাক মীয়াম হুপ্পা অচৌবা শেন্মীৎলোনগী যুম্ফম থোন্নবা খোঙহৌ ওইনা লমদমসিগী পোখোক শীজিন্নবগী হৈনবী অমা শাগৎহৌদ্রবদি তুংগী মণিপুর য়াম্না নুংনাংনিঙাই ওইরে হায়নসু মহৈরোয় লূপ তরুক্কী চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# প্রাইভেট রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংগী চান্নবা গাইদলাইন শেমগদবনি : কাদা

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট পোলিসী ওন সাইকোএক্টিভ সবষ্টেন্সেস ২০২০ ষ্টেট কেবিনেটনা এপ্রুভ তৌখ্রবসু ঙসি ফাওবা মপুং ফানা চৎনহনবগী মমি তাদ্রি। অমরোমদনা লমদম অসিগী নহারোলশিংগী নোংম-নোংমগী দ্রগতা লাইচুবগী চাং হেনগৎলকপসি লাইবক থীবনি। প্রাইভেট রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংগী চুনবা গাইদলাইন শেমদবনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্লকপনি। মরম অদুনা গাইদলাইন শেমগদবনি হায়না কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাদা)গী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ৱাঙ্গোইদা হাঙবা রিহেবিলিটেসন সেন্টর অমদা ক্লাইন অমা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা লৈখিদবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি লোয়ননা কাদানসু নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি। অসিগুম্বা লাইবক থীবা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা মণিপুর লৈঙাক্না হোৎনফম থোকই হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, লমদম অসিদা দ্রগ এদিক্সনগী চাং ৱাংখৎলকপগী খুদোংচাবা লৌদুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লন্নাই মীওইশিংনা প্রাইভেট রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিং গাইদলাইনগী ৱাংমদা পংলিংদা লিংখৎনরক্তুনা লমদম অসিদা ঙসিদি চেঙ্গুম শৌবগুম্না রিহেবিলিটেসন সেন্টরনা শৌরে হায়বা য়াই। রিহেবিলিটেসন সেন্টর অমা লৈরবনিনা মদু রন তৌনবা হোৎনবদা দ্রগতা লাইচুরবা মীওই কয়া মশাগী অমসুং যুমগী অয়াবা য়াওদনা ফাবা, পূনবা তৌদুনা রিহেবিলিটেসন সেন্টর অমগী লৈফম থোকপা মচাক-মথুম মপুং ফানা লৈতবা মফম অদুদা থমজিনবদগী ক্লাইনশিংদা টোর্চর তৌরকপনি অমসুং শিবা ফাওবা য়াওরকপনি হায়না কাদানা লৌই। মসি পুন্নমক অসিগী থৌদাং মণিপুর লৈঙাক্না লৌফম থোকই। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ফন্দ ফংবা রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিং অদুদি স্কিম অদুগী গাইদলাইন মখাদা রন তৌজবনি। অদুবু গভর্ণমেন্টকী ফন্দ ফংদবা প্রাইভেট রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংগী চুনবা গাইদলাইন শেমদুনা চৎনহনগদবনি হায়বা ৱাফম মণিপুর ষ্টেট পোলিসী ওন সাইকোএক্টিভ সবষ্টেন্সেস ২০২০গী পেজ নম্বর ১২দা ময়েক শেংনা পল্লি হায়রি।

# এ আই টি য়ু সীনা মে দেগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): শিন্মীশিংগী রাইট ফংহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা মে দেগী নুমীৎনা লাকপা অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা শিনফম কয়াদা থবক তৌরিবা শিন্মীশিংদা মে দেগী য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়না ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, মণিপুর ষ্টেট কম্মিটি (এ আই টি য়ু সী, এম এস সী)গী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না হৌখিবা চহী ২ রোম মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমীৎ মে দে মমিংতগী ওইনা পাঙথোক্তুনা লাক্লবসু শিন্মীশিংগী ফংফম থোক্লবা রাইটশিংগীদমক এ আই টি য়ু সীনা থেংনবদি লেপখিদে। তমথিরবা লায়না লাইচৎ অসি লাকশিন্নবা হোৎনবদা থৱায় হকচাং য়াওনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা মায়পুনবা থৌদাং লৌখিবা লৈখিদ্রবা ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিংগী মফমদা এ আই টি য়ু সী, এম এস সীনা ঈকায়খুম্নবগা উৎচবগা ঈরোয়ননা মালেমগী ৱার্কিং ক্লাস মুভমেন্ট খুম্মাং চাউশিনহন্নবা হোৎনরমখিবা লৈখিদ্রবা ট্রেদ য়ুনিয়নগী লুচিংবশিংগী মফমদসু ঈকায়খুম্নবা উৎচরি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্না শোকহল্লবা মশীং হন্থরকপগা লোয়ননা হয়েং মে ১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী শিন্মীশিংগী নুমীৎ অসি মালেমগী লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লগদবা মরম্না নুমীৎ অসিদা ইন্টরনেসনল ফাইনান্স কেপিটেলগী মখাদা শিন্মী লাখ ক্রোর কয়াগী তাঙনা ফংবা রাইটশিং মান্ননবা হোৎনরক্লিবা থৌশিলশিং থেংননবা শিন্মীশিংনা অচেৎপা ফিরেপ লৌমিন্ননবা ওল মণিপুর ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনা আপীল তৌজরি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, শিন্মীশিংগী পুল্লো, মসিদা মাঙজ গদৌরিবসি মীনাই য়োহ্লিংদুদনি হায়বা কার্ল মার্ক্সকী পাউজেল অদু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা লৈবাক অসিদসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক মখাদা শিন্মীশিংগী রাইট মৎপা অনৌবা লেবর কোদ মরি হন্দোকহন্নবা হনবা লৈতনা থেংনমিন্ননবা অচেৎপা ফিরেপ লৌমিন্নরসি। লোয়ননা মে দে নুমীৎ অসিনা লাকপদা ষ্টেট অসিগী শিন্মীশিংনা মশাগী রাইট ফংনবগী লাম্থেংনবদা অমদি মায়োক্নবদা মখোয়দা অনৌবা থৌনা হাপ্পা ওইরসনু হায়বগা লোয়ননা মে দেগী য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়না ওল ইন্দিয়া ট্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস, মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী মায়কৈদগী থাদোরকপা চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# নৈনশঙদা ৩২ রকশুবা ইপা ইমাগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): দ কংলৈপাক আর্ট এন্দ কলচর রিছার্স সেন্টরনা শীন্দুনা ঙসি ৩২ রকশুবা ইপা-ইমাগী থৌরম সগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকায়দা লৈবা নৈনশঙ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী ভাইস প্রসিদেন্ট সোরাইশম মেমচা, ওল মণিপুর ৱিমেন ভলন্টরি এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট য়ুমখাইবম কুঞ্জরানি, ইম্ফাল ইষ্টকী উপ-অধ্যক্ষ ক্ষেত্রি তমা য়াওনা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগী মনুং চন্না ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী প্রসিদেন্ট পি ঐচ নন্দো লুৱাংনা ফোঙদোকখিবদা, ইমা-ইপা মশক খঙলবা মতমদা ইরমদম মশক খঙলক্কনি। মৈহৌরোলদগী হৌনা চৎনরক্লবা চৎনবী কয়া ঙসিগী মীরোলনা অকাওবগী ঈরোলনুংদা তীলহনখিবগুম তৌরে। চহী লিশিং ২গী পুৱারী লৈজে। ইপা-ইপুদি থৌনা ফবনি অমদি মণিপুরী নুপীশিংগী থৌনা হায়না ঙসিগী মীরোলনা শীংথানরিবশিং অসিগী খুদুং ইল্লগা চৎপদি ঙল্লক্তবগুম তৌই। মমাংঙৈদদি ৱা ঙাঙদনা থবক্লা তাক্লম্বনি। অদুবু ৱাজাওতমক ঙাঙবা থবক ওইনদি য়াওনদবা হায়বদু ওইরে। শোখরক্লবা অমদি তপ্পা তপ্পা শকউদনা মাঙথরকপগা লোয়ননা লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিং মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈরক্লিবা অসিদগী কলহৌনবা হোৎনবদা ঐখোয় পুন্নমক্না লৌফম থোকপা থৌদাংশিং অদু লৌমিন্নসি হায়খি।

# লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎনবা শগোল্লম মরিল তৌবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): ককচিং এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ককচিংগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লৈ হায়না লৌনরিবা শগোল্লম মরিল তৌথোক্তুনা অমদি লম্বী শেমগৎতুনা লৌমীশিংদা লৌরোক অনীরক লোক্তুনা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা থবক ঙসিদগী পায়খৎপ হৌখ্রে।

এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা ঙসিদগী হৌরদুনা শগোল্লম মরিল তৌথোকপা অমদি লম্বী শেমগৎপা হৌবগী মতাংদা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, শগোল্লম মরিল অসি ককচিংগী পুৱারীগা য়াম্না মরী লৈনবা লম্বী অমা ওইবদা নত্তনা লৌকোল অসিদা লৈরিবা লৌ পরি ১০০ রোম অসিগী লৌমীশিংনা লৌ উবদা লম্বীগী অমদি ঈশিংগী অৱাবা কয়া মায়োক্লবা অসিনা মরম ওইরগা ঙসি ককচিং খুল্লেন লৌরেল লৌকোল শগোল্লম মরিল লম্বী শেমগৎ লূপকা পুন্না খুৎশম্নদুনা লম্বী অসি নৌনা শেমগৎ-শাগৎপা হৌবনি। য়াম্না মরুওইখ্রবা ঈশিং খোং অসি শেমজিল্লবদি লৌ পরি ১০০ রোম অসিদা লৌরোক অনীরক লোকপা ঙমদুনা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন শোয়দনা ফগৎহনবা ঙমগনি। লোয়ননা মফম অসিদা লৈরিবা খোং অসিনা মপুং ফানা লোইশিল্লবা অমসুং লম্বী অমগা শেমগৎলবদি চাউরাক্লা লৌ পরি ১০০ রোম লৈরিবা লৌফম অসিগী লৌমীশিংনা লৌ লোকপদা থেংনরিবা অমদি মায়োক্ল রিবা অৱাবা লোয়ননা লৌরোক অনী লোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরিবা পুন্নমক অসি কোকহনবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# লম্ফেলগী শিজ হোস্পিটাল তাবা লম্বী শেমজিনবিদ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): লম্ফেলদগীনা লাঙ্গোলগী শিজ হোস্পিটাল তাবা লম্বীগী শরুক খরা মতম শাংনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা শেম্বীদবনা মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদসু খুদোঙচাদবা কয়া মায়োক্লরে।

মরুওইনা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনাক অমদি ক্বাটরশিং লৈরিবা অদুগী অৱাংথঙবা শরুকশিং অদুনি। লম্বী অসি নোং তারগনা ঈশিং থুম্বদগী চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোং চাদে। অদুগা নুংশা শারগনা উফুল-ৱাইফুলনা মনাক-নকপা ক্বাটরদা লৈবা মীওইশিং অমদি লম্বী চৎপা মীওইশিংদা খুদোংচাদবা কয়া তোয়না থেংনরক্লি।

লম্বী ফত্তবা অসিনা মরম ওইদুনা শিজ হোস্পিটালদা অশোনবা অনাবশিং পুখৎলকপা মতমদা অনাবশিংদা অৱাবা কয়া তত্তনা চৈথেং পিরি।

লম্বীগী নাকন্দা লৈবা দ্রেনশিংসু নিংথিনা শেম্বীদবনা অয়াম্বা মতমদা অমোৎ-অকায় অমদি ঈশিং তুংশিন্দুনা লৈ। লম্বী অসি লাঙ্গোলদা লৈরিবা ক্বাটরশিং অমদি শিজ হোস্পিটালদা লায়েংবা চৎলিবা পেসেন্টগী কাঙবু অমদি দাক্টর অমদি নর্সশিংনা নুংতিগী ফাওরগা চৎন্নরিবা লম্বীনি। লম্বী ময়ায়দা লৈরিবা কোংকুৎশিং অসি থৈদোক্তুনা গাড়ী থৌনবা হোৎনবদা এক্সিদেন্ট থোকপদা মীওই কয়াসু অশোক-অপন নঙখ্রে।

লম্বী অসি নিংথিনা অমুক্তং মওং তানা শেম্বীরগদি মীয়াম্না চৎপদা অৱাবা মায়োক্ল রোই। মরম অদুনা অথুবা মতমদা পব্লিক ৱার্ক দিপার্টমেন্ট (পি দব্লিয়ু দি) গী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংনা অথুবা মতমদা মীৎয়েং চঙবিনবা তোঙান- তোঙানবা সেক্সন কয়াদগী ফোঙদোরক্লি।

# লৈবাক নীংবা শৈরেং শৈদিন্নখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): এক ভারত শ্রেস্থ ভারত অজাদি কা অম্রিট মহোটসবকা মরী লৈননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ এন্থ্রোপোলোজিদা লৈবাক নীংবা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমদি তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ঈ বি এস বি সেলগী নোদেল ওফিসর ডা. সী ঐচ ইবোহলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা স্কুল ওফ হ্যুমেনিটিগী দিন প্রোফেসর এন অরুনা, কোলেজ ওফ দিভেলপমেন্ট কাউন্সীলগী দিরেক্টর প্রোফেসর এস জিবোন কুমার, ইংলিস এন্দ কলচরেল ষ্টদিজ দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসর টি ঐচ রতনকুমার, হিন্দী দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসর ঐচ সুবদনি, দিপার্টমেন্ট ওফ দান্স এন্দ ম্যুজিক্কী হেদ ডা. পি লিলাবতি, ঈ বি এস বি সেলগী নোদেল ওফিসর ডা. সী ঐচ ইবোহলনা মথংশিংনা ফম্বাক্কী লৈতেং ওইখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা লোলশিংদা লৈবাক নীংবা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অদুদা পুন্না শৈরেং ৩০ রোম পাথোকখি। তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা পাথোক্লখিবা শৈরেংশিং অদু মণিপুরী, তাংখুল, মাও, থাদৌ-কুকি, হিন্দী, ইংলিস, উরিয়া, তামিল অমসুং সিনহলানচিংবা লোলশিংদনি হায়রি। ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ওজাশিং, নন-টিচিং ষ্টাফ, রিছার্স স্কোলার অমদি মহৈরোয় কয়াসু শরুক য়াখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা দেজদা ফমখিবা দিগ্নিটরিশিং অমদি শৈরেং শৈদিন্নবদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা লেংয়ান ফি অমদি সর্টিফিকেট অমমম পীদুনা ঈকায়খুম্নবসু উৎখি। পাঙথোকখিবা থৌরম অদু লৈবাক অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লোলশিংবু চাউখৎনবগী পান্দমদা পাঙথোকপা থৌরমনি। থৌরম অদু দিপার্টমেন্ট ওফ এন্থ্রোপোলোজিগী ডা. এস য়াইফবনা ভোট ওফ থেঙ্কস পীখি।

# উ বিম পুরকপা ট্রক মরি অমদি হিরোইন পাওদরগা কোন্ননা মীওই ২ ফারে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): লমদম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্না ময়াই কাবা চিঙ্গাক য়োনবা অমদি পুশিল্লকপা অথিংবা লৈনা-লৈনা নারোন্দা হিরোইন পাওদর পুদুনা চৎলম্বা মীওই ২ ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসনা ফাবগা লোয়ননা দ্রগ য়োনফমগী মীওইসু পোৎকা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, ঙরাং নুংথিল পুং ৪.১০ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিসকী এদিস্নেল এস পি (এল ও) এন নেত্রজিৎকী মিৎয়েং মখাদা ৱাঙ্গোই পুলিস কম্মান্দোগী ইন্সপেক্টর অনিলকুমার, এস আই দিপেন্দ্রো, এ এস আই রামেশ্বর, ৱিমেন পুলিস, ৱাঙ্গোই পুলিসকী কম্মান্দো টিম অমদি ৱাঙ্গোই পুলিসকী অপুনবা টিমনা মোটোর সাইকল এফ জেদতা তোংদুনা লাকপা মীওই ২ পুলিসনা ফাখি।

ফারবা মীওই ২ অদুগী মমিংনা কৈনৌ থৌংখাদগী ময়েংবম রাজদিপ (৩১), অপোকপা এম সোভা অমদি লৈকায় অসিমক্তদগী লাইফ্রাকপম অচৌ (২৯), অপোকপা এল লুখোইনি।

মখোয়দগী নম্বর ফোর হিরোইন পাওদর প্লাষ্টিক ভেল ৭ তা হাপ্তুনা পুরকপা ফাগৎপা ঙমখি।

মখোয়দা পুলিসনা মখা তানা ৱাহং-পাউহং চথবা মতমদা ওইনাম শওমবুং থাম ময়াদা লৈবা খুলাকপম তোম্বীসনা অমদি মহাক্কী মচানুপা অবদুল হৈদগী হিরোইন নম্বর ফোর সাপোন কেপ ৪ দা হাপ্তুনা লৈরম্বা অমদি প্লাষ্টিক ভেল ১৪, লোয়ননা দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট ৭৫৭ প্লাষ্টিক পেকেট ৪ দা হাপ্তুনা থল্লম্বা ফাগৎখি। মসিদা নত্তনা মখোয়না দ্রগ য়োনদবদগী ফংলকপা শেল ওইগনি চিংনবা লুপা ২,৩৮,০১৫ য়াওনা ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

অদুম ওইনমক মখোয়দগী ফাগৎখিবা হিরোইন পাওদর অদু পুন্না গ্রাম ৬৯.৯৮নি অমদি দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেটনা গ্রাম ৭৯.০৭নি।

ৱাঙ্গোই পুলিসনা ফারবা মীওই ২ অদু লাক্লিবা মেগী ৬ ফাওবা নুমিৎ ৭নিগী ওইনা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথরগনি হায়না হায়খি।

অমরোমদা, আই জি আর সাউথকী মখাদা কৈথেল্মানবী বট্টালিয়ানগী অসাম রাইফলস কাঙবুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা চন্দ্রখোং এরিয়াদা লোগী ৱাংমদা টাটা ট্রক মরিদা হাপ্তুনা পুরকপা উ বিমশিং ফাগৎখ্রে।

অসাম রাইফলস কাঙবুনা উগা কোন্ননা ফারবা ট্রক মরি অদুনা পুরকপা উশিং অদু চাওরাক্লা লুপা লাখ ২৪২০০ রোম ওইগনি হায়রি। ফাগৎলবা উশিং অদু অসাম রাইফলসনা লিতান পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে

# তেকচম জয়শঙ্করগী মীশি য়ানিংদে : ঐচ আর এন এম

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): চৎলিবা থা অসিগী এপ্রিল ২৭তা ৱাঙ্গোই পাঙলসিফাইদা হাংবা টি ঐচ বিরেন সিংহ রিহেবিলিটেসন সেন্টরদা লায়েংনবনি হায়দুনা থমখিবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবনি হায়বা তেকচম জয়শঙ্কর এলিয়স থম্বৌ কৌবা মীওই অমা হায়রিবা সেন্টর অসিদা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা লৈখিদবগী থৌদোক অসি হার্ম রিদক্সন নেটৱার্ক মণিপুর (ঐচ আর এন এম)না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা অকনবা মওংদা য়ানিংদে। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়না ঐচ আর এন এমগী প্রসিদেন্ট হিজম দিনেশ অমদি সেক্রেটরি আর কে টিকেননা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা রিহেবিলিটেসন সেন্টর কয়াদা অসিগুম্বা চিংননিংঙাই ওইবা মীশি-মীনাগী থৌদোক কয়া মাঙলমচৎতসু কয়ারক থোকখ্রবনি। লমদম অসিগী দ্রগকী লমদা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলিবা লূপ কয়া অমদি সী এস ও কয়ানসু অসিগুম্বা মওং-মরিল তাদবা থৌওং অসিগী মতাংদা কয়ারক হন্না মরী লৈনবশিংদা চপ চাবা থবক পায়খৎপীনবা হায়জখিবা লৈখ্রবনি। মরী লৈনবা গভর্ণমেন্টকী লোয়শঙনা অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা অকনবা মওংদা মীৎয়েং চঙবীদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীয়ু। লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা অচুম্বা লংলা-লংজিল পুথোক্তুনা চেন্নরিবা মীওইশিংবু লোগী ওইবা মতিক চাবা চৈরাক পীবীদুনা অসিগুম্বা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোক্তনবা হোৎনবীয়ু। লোয়ননা অকনবা মওংদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।

# ৭৭শুবা মীতৈ মরুপকী নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): চহী ৭৭ চুপ্পা মীতৈগী নাৎ, শক্তম কন্ননবা থৌ শুদুনা লাকখিবা মীতৈ মরুপকী মপোক নুমীৎকী নীংশিং থৌরম চহী অসিগী লাক্লিবা মে ৫, কালেনগী ৩নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমীৎকী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ৱাঙ্খে থম্বালখোংদা লৈবা মীতৈ শঙলেনদা পাঙথোক্লগনি। মীতৈ ইনাৎ লোল ময়েকপু কনবীনিংবা অমদি য়োকখৎপীনিংবা লৈবাক্কী ইবুংঙো-ইবেম্মশিংনা থৌরম অসিদা শরুক য়াবীদুনা মপুং ফাহনবীয়ু হায়না মীতৈ মরুপ, মীতৈ লৈপাক্কী শিন্নরেম্বা (সেক্রেটরি জেনরেল) অঙোমচা সেরাম গোজেন্দ্রো মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ১৮শুবা চহীচানা হৌগৎলকপা ইনিংথৌ পামহৈবনা পানবা মতমদা নোংচুপ হারমদগী চঙলকপা মীয়ান লম্বোইবা শান্তিদাস গোসাইনা নিংথৌগা লৌতুনদুনা মীতৈশিংগী ইনাৎ লাইনিং লীচৎ নমদুনা থাদোকহন্দুনা হিন্দু লাইনিং নম্ফুদা চৎহনখিদুনা মীতৈশিংগী চহী লিশিং কয়াগী খোমজিন তাশিঞ্জরকপা পুয়া পুদিন লাইরিক-লাইশু পুন্নমক মৈ তুম্না থাদোকহন্দুনা ঈরুপপু কঞ্জনিংবা চীংঙু মাইচৌ মাইনৌ কয়া অঙাং ওলহন্দুনা ইবুধৌ পাখংবগী ঈশেঙ ঈয়েক তরেৎকী মচা মশুশিংবু আর্য্যা হিন্দু গোত্রগী মচা-মশু ওইনা ওম্থোকপীদুনা নোংম-নোংমগী মীতৈ ঈরুপকী শক্তম মাঙহল্লকখিবনি। অদুবু মীতৈগী লুচিংবা লাইনিংহলগী মচা-মনাই কয়ানা মীতৈ ফুরুপপু কন্ননবগীদমক ৱাঙ্খে থম্বালখোংদা মীতৈ শঙলেন অমা লিংখৎতুনা ঙসি ফাওবদা মীতৈ মরুপ মীতৈ লৈপাক্লা তোঙান তোঙানবা থবকশিং পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি হায়রি।

# নোংলৈ-নুংশিৎনা শান্নরোয়শিংগী চাফম-থকফম অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী মফম খরদা ঙসি অয়ুক নোংঙাল্লমদাইদা নোং য়াওনা অকনবা মওংদা শিৎখিবা নোংলৈ-নুংশিৎনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা নোর্থ ইষ্ট রিজনল স্পোর্টস মীটকী কেটরিংগী মেটচ হোলগী নৌনা খনবা শঙ হুমদোকখিবদগী মফম অদুদা থল্লম্বা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমদি টেবল চৌক্রি য়াওনা পোৎলম কয়া অমাঙ-অতা থোকখ্রে। অদুবু লাইবক ফবদগী নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা হুমদোকখিবা অদুদা মীদি অমত্তা অশোক-অপন য়াওহৌদ্রে হায়রি।

হৌজিক পাঙথোক্লিবা নোর্থ ইষ্ট রিজনল স্পোর্টস মীট অসি মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা থা অসিগী ২৮দগী চথরকপনি। স্পোর্টস মীট অসিদা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট ৭তগী লাকপা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিং য়াওনা চাউরাক্লা মীওই ৯০০ রোম্না শরুক য়ারি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট মঙাদা নোর্থ ইষ্ট রিজনল স্পোর্টস মীট অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঙসি নোংঙাল্লমদাইগী মতমদা শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কা হেন্না অমাঙ-অতা থোকখিবগী পাউ লৈত্রবসু মফম খরদদি নৌনা কুপ্পা যুম হুমদোকগী থৌদোক অমদি উ-ৱা কয়া তেকপগী পাউদি লৈখি। অদুমকপু নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা মরম ওইদুনা অশোক-অপন য়াওখিবদি লৈতে হায়রি। ঙসি নোংঙাল্লমদাই শিৎখিবা নোংলৈ-নুংশিৎ অসিগী মমাঙদা হৌখিবা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অমনা মরম ওইদুনা অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখিবদি লৈখি।

# জে এন বিনা লৌবা এন্ট্রান্স এগজামদা নন-মণিপুরী য়াওরম্লে

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচ এন এস): চহী খূদিংগী জৱাহরলাল নেহরু বিদ্যালয়া (জে এন বি) না লৌবা এন্ট্রান্স টেষ্ট এগজামদা জিরিবামদগী নত্তবা অসাম অমদি অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী মহৈরোয়শিং য়াওরম্বা অসি য়াম্নমক লাইবক থীবনি। হীরম অসিগী মতাংদা এমসু, এম এস এফ, দেসাম অমদি কে এস এগী লূপলোয়শিংনা অকনবা মওংদা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী দিষ্ট্রিক্ট প্রসিদেন্ট লাইশ্রম বিলাক্সনা ফোঙদোকখ্রে।

জিরিবামদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, জৱাহরলাল নেহরু বিদ্যালয়ানা চহী খূদিংগী লৌবা এন্ট্রান্স এগজাম টেষ্ট অসিগী এগজামগীদমক জিরিবামগী রাজকুমারী সনাতোম্বী দেবী স্কুলদা লৌখিবা এন্ট্রান্স টেষ্ট এগজামদা জিরিবামদগী নত্তবা অসাম অমদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট নত্তবা অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী মহৈরোয়শিং য়াওশিল্লমখিবনি। থৌওং অসি জিরিবামদা লৈবা মমিং ফাওবা তাদ্রিবা প্রাইভেট স্কুল অমদি মহৈরোয় মশীং য়াম্না লৈতবা গভর্ণমেন্ট স্কুলগী মিংদা য়াওশিন্দুনা এগজাম থারম্বা থেংনখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা জিরিবামগী জেদ ঈ ও, এ আই অমদি দি আইনা য়েংশিনবীগদবনি। অদুবু য়েংশিনবীরমদবা মরম্না অথুবা মতমদা এমসু, এম এস এফ, দেসাম অমদি কে এস এ হায়রিবা মহৈরোয় লূপশিং অসিনা স্কুলশিং অসিগী প্রিন্সিপাল, প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ, হেদ মাষ্টরশিং অমদি জেদ ঈ ও, এ আই অমসুং দি আইগী মথক্তা অকনবা মওংদা মীৎয়েং চঙলগনি। মতম লৈরিঙৈদা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি থিংনবা হোৎনহৌদ্রবদি ঐখোয়গী হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা অকায়বা কয়া লাক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।